"নোংপোক অমসুং নোংচুপ খেন্নরিবসি খোঙজেলদনি।
নোংপোক্না তপ্পা চেনবা, নোংচুপ্না য়াঙনা চেনবা।"- এলাংবম নীলকান্ত (অমেরিকাগা উনবা)

ꯁꯩꯔꯦꯡ

পারী অথৌবশিংদা...

— লাইশ্রম বিমোলচান্দ

চীংয়া তময়াদা ঙাল্লরে
অহিংগী তন্দননা তগুপ-তরেংনা
অথৌবা পারি (শিং) গী থৱায়না ওল্লকপরা
চঙসি-চঙঙমদা-হনসি হনঙমদা
ইনুং ঙাল্লকপা ঙাইরিবরা?
ইয়ুম মোংবা ইরানয়াই...
লান্মৈ থানবীনা তাঙ্গৈাই ওলহনখ্রে
চেঙজেল য়াওদা থৱায়গীদমক
তুংওইনরম্লে লৈজবা খিবিক
তমথীদকো হে কুকি লান...!
হনখিদে থৌনা মীতৈগী ঈনি
মায়োক য়ারমখি তুংলমচৎকীদমক
থৌশাবীদ্রবা ইরমদমগীদমক
ঐখোয় লৈরি লাউরমখি - খোন্থাং য়ৈনা
চীঙ্খোং-চীংয়া - চীংমায়-খোন্না।

নহাক্না লৈখিদবসিদা

— ঙাংবম থবাতোম্বী

নঙতনবু খঞ্জবনি
মীওইবগী পূন্সিসে নুংঙাইবগী লাংওন্নি
অদুবু, ৱাই য়াম্না ৱাই!
নঙতনবু উদ্রবনি
ঐখোয়গী অহোংবসে
অদুবু, হোংলে অওনবতনা পীক থল্লবনি।
নহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংসিদা
নঙনা থম্বীরল্লিবা
তিঙ্খংগী লৈবাক ওল্লবা লম্বেলসিদা
ঈ খুজোক খুজোক থল্লদুনা
ৱাশকপা শান্নরি ৱাশক ঙাক্ত্রবশিংনা
নঙগী মিংলেন শোল্ল-শোল্লদুনা।
নঙনা শিদ্রিঙৈদা শেল্লম্বা
নঙগী তাইবঙপানসিদগী
পুদুনা চৎলম্বা নঙনা
লুপাগী মতিক মগুণসে
চাইখাইদুনা মাঙহল্লল্লবদি
সনাগী নাপল ময়োমসে
কয়াদা ঈংজরমগনি
পূন্সিশিংগী অকোয়বদা পূন্সিশিংসিনা!
অদুবু ঙসিদি
লুপাগী হি তোংলদুনা
ললোল্লি থৱায়না থৱায়বু
থদৎলদুনা হিংমিন্নবগী লীপূন
থিবা ফংদনা মাঙখ্রে
মীনুংশিগী তরু তরুবা লাইজসু
হে! তাইবঙ মপূ
নহাক্না নদোম শিজখ্রবদা!!!

লম্ফাংলবা লম্বীসিদা

— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

তম্লুরে মতৌ চাওখৎলবা
ফূরুপনি খন্না, মখোয়গী ৱাঙাঙ-শাঙাঙ
ফিজেৎ চাকচা যুথক
নোংপোক লমগী ফূরুপ ঐখোয়না
নোংচুপ লমগী ফূরুপকী মচৎ
ঙসিদি করি ওইরে।
মপাম চাকসু চাদা, মৱা চাকসু চাদা
চারোল-শুরোল, পথাং-পুথাং
মীরোল কয়াগী চীনবুং ৱারীতনা
য়োল্লদুনা থম্বীরল্লবা হৌনা লোনচৎ
ৱাঙাঙ-শঙাঙ ঙসিদি কদাই
কদাইদা চৎখ্রবা চাওখৎলিবরা
চাওথরিবরা অচুম্বা লম্বেলনা কদাই।
অরানবনা অচুম্বা শারদুনা
ইনৈ-ইনৈ নৈনা চৎমিন্নরি
মতমগী কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎলক্তা
ঙসিগী তুং-মাং কনানা কনানো
হন্না য়েংনদ্রবা লম্ফাংলবা লম্বীসিদা।

অরায়বা খোঞ্জেল নত্তে

— এম নিলকুমারি

লমখুনু ময়াম খোংলি, জুরা জুরা
পেন্দবা ৱাকৎ কয়াগী ওইরমগনি
থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা
হিংনা হিংনা লৈরোন চনখ্রবা
লমখুনুদি অশিবগী থৱায়না
কোইপাই পাইবনি হায়নৈ
থৱায় কয়াবু হন্না হন্না কৌরি- লমখুনু।
ঙমখৈ লমখৈ কনবা মায়োক্লবা চৎখিবা
ইরৈচাশিংগী হল্লক্ত্রবা
থৱায়শিংদুরা লমখুনু?
নঙসু কপ্পু, নাকোংদা কন্না তাহল্লিবা মাংফদ্রবা খোঞ্জেল
লমখৈ ঙমখৈ মাঙফদে
মৈত্রবাক্কী লননি মমল মন্তিক্লবা ওইথোক্লরোইদবা
মখোয়সু কপ্পী:
কুক কুক ইন্নরবা রিলিফ কেম্প মতুং হন্না য়েংই
মতম কয়া কুইবগীনো:
অহুমশুবা লান হায়বদুরা
কনানা করি হায়রি
শিন্নথোক্কনি; খায়নগনি থৱায়গা হকচাংগা
পোক্লফম লমদম ইমাগীদমক।
মীথিবোং মিতম্বাল ওইহনবীগনু
চঙজবনি ইমা লৈবাক মণিপুর
লমখুনু শৈহেক শৈদল্লি
মাঙখ্রবা থৱায় কয়াদুগী
ইপা ইপু ইবেনগী থাজনবীনি
শিখ্রবা থৱায়গী খোঞ্জেলনি নিল্লিবা।

ঐ হোংদে

— এস কে নাওরেম

ইমা ইপানা থোনবীবা মিং
কনামত্তনা কৌবীদরে ঐঙোন্দা
য়ু থকপা য়ু ঙাওবা কৌবীরে
ইমা ইপানা নুংশিনা কৌবীবা মিং
কাউরে ঐদি নীংশিংদরে ঐদি
কাউরে ঐদি কাউরে ঐদি।
লন্বীদা হোটেলদা ঐগী ৱা ঙাক্তা
মী খরা পুল্লে ঐগী ৱা
ঐ পোকচবগী নুংঙাইজরে
ঐগী ইমা ইপাসু
মীয়াম্না ঐবু শোন্নবীবগী
য়ু থকপা য়ু ঙাওবা
তাঙনা ফংজবা মিংগীদমক।
মীখলগী মতম পার্টি হোংবগুম
হোংজরে ঐগী মিংসু
মিংতনি হোংবা ঐদি হোংদে
লমচৎতনি হোংবা ঐদি হোংদে
ঐদি অসুম ওইরি।

বসন্তগী শৈরোল

— অঙোম ইবোমচা

নীংথিরবা বসন্তগী লৈকোন্দা
শাৎলি ফুগায়না শিঙেল লৈরাং
য়াতি-যুত্তি, মাধবী, মালিকা
শিরিশু, কুশুমো, চম্পা।
পাইরি খোইমুশিং খ্বাংজেংলবা
ঙংনা-ঙংনা লৈকা খুদিংদা
লৈহি থিরি চূপ্লি লৈহি
মপুক পেন্না পেন্না
নীংথিরবা বসন্তগী লৈকোন্দা।
খোঙলরে কোকিলনসু কুহু-কুহু
খোন্থাং য়ৈনা মালংগী ঈপোমদা
শুম্মৎলি পূক্লিং তাইবঙগী থম্মোয়
তাবদা নুংশিরবা কোকিলগী খোন্থাং
নীংথিরবা বসন্তগী লৈকোন্দা।
য়েন্নিং হুল্লে তাইবঙগী থম্মোয়
উরুবদা নীংথিরবা চীংশাং পরেং পরেং
অশংবা ফিজোলনা লৈতেংবা
লৈশাৎ তমজরি পামেল্লক্তা
চীংথ্রাও কৌবী শিঙেল লৈরাংনা
চিক্লা ঈংনা মকা ফন্না
নীংথিরবা বসন্তগী লৈকোন্দা।
হরি ধনিনা পুমনিল নিল
অঙাং, অহল খায়দনা
যূমথোঙ খুদিংদা নাকাথেং
মথুম-মরাং হৌননা
নুংশি পাউখোং চন্ননা
খুজেং পালোই পায়ননা
থাবল জগোয়বু শাজবা
নীংথিরবা বসন্তগী লৈকোন্দা।

থৌশিল হৈতবা লৈঙাক্লোই

— নাওরেম মঙ্গি

থৌশিল হৈতবা লৈঙাক্লোই
মরিল মথৌনা লৈতবা
পাঙদবা মীকিথি নখোয়না
হেঞ্জন্না লুনা তৌরুবদগী
সলাক শারে মণিপুর।
মণিপুরগী চীংশাং ময়ামসে
কানিগী উমং ওন্থোক্লে
থাংজিংবু থাংতিংনি হায়রক্লে
কৌব্রুসু মখোয়গীনি লাউরক্লে
মীতৈশিংবু মখোয়না উশিৎত্রে।
যূমদাংবনা কৈনাইবা ওইররে
লৌপু য়োংনা তাল্লক্লে
মীতৈশিং চীংদা চঙহন্দ্রে
অসুক হেঞ্জিল্লক্লবা অসিফাও
অদুম লৈতোন লেকহল্লে।
ইপা ইপুশিংদু নীংশিংঙু
নখোয়গী শীংলি অদুদা
মীতৈগী ঈদু চেল্লবদি
লায়না লাকশিনবা ঙমগনি
কৈশু নত্তবা প্রোব্লেমনি।

খোংলগা খঙগনি

— ইরোম মোবি

ইকায় খঙদ্রদি পুক থল্লি
নিদ নিশিল্লু পীরকত্রসু মহুৎনি
লৌ মপূ য়োংনা তাল্লি
পাউরৌনি হায়নরিবা।
শিখ্রিবা মৈ চাকখ্রিবসিনা কমদৌবা?
করিগুম্বা মপূ ওইখ্রগনা করি তৌবা?
লেম্না তোক্কদরা?
থৌনা হনখিগদরা?

থম্মোয় লৈকংলাগী শৈরোল

— খাইদেম বোরসিংহ

হে নুংশিবা
ঐগী থম্মোয়দা
লোৎতুনা লৈরিবা
নঙ থোরক্লো
নঙ থোরক্লো।
অতিয়া অহাঙবদা
হৈনম লৈনমগী
নামিবা নুংশিৎকা
শান্নমিন্নররো
শান্নমিন্নররো।
য়োমদুনা লৈবনা
কুয়োম কয়ানা
মরোল মরোল
নঙবু খঙঙমদরে
লৈয়োন্নুংগী লৈনমগুম
থম্বাল লৈগী।
অয়ুক মশাইকোল
কোকিল ও: চেক্লোনা
কুহু কুহু
মিরবা খোঞ্জেলদা
নুংশিবা য়েল্লিবা
নঙবু তাদবরা?
নুমিদাংগী মতমদা
হো তাম্না কৌবীনা
তাম তাম
করিবু খনবগে
করি পাউজেলনো
নঙসু য়েল্লোদনা।

মতম মতমগী ৱাখল

অতোপ্পা কুম্মৈ অমা নত্তে

হন্দক থা খরসি ইশা ইতোমতা ৱাহং য়াম্না হংজে । ঐখোয়সি করি তৌরিবনো? লৈপাক নীংলিব্রা, নুংশিরিব্রা ? হিংনবা হোৎনরিব্রা? লান শোকনরিব্রা,লান য়াওরিব্রা, লানগী পাউ তারিব্রা, লান ঙাইরিব্রা ? লান ঙাল্লিব্রা, রাজনিতি য়াওরিব্রা,রাজ নিতি তৌরিব্রা ? ৱাফম অমনা থোক্লিবা থৌদোক,হাৎন-শুনরিবসি লান অমরা? লান অমনি হায়না লৌবা য়াব্রা, লান্নি হায়বা লাওথোকখিবা লৈরব্রা ? ময়েক শেংদে চনৈনরি । লান অশেংবা ওইরগদি ঐখোয় লানগী থৌরাং তৌবা তারি। লান্মী শেমগৎপা তায়, লালোং য়াৎপা তাই। মী লোয়নমক লান্মী ওইবদি য়ারোই । লান পাংগদবা, চানবা শিনগদবা, মীচম ঙাক্কদবা, লন-থুম ঙাক্কদবা, খুৎশু-খুৎলাইগী পুন্নমক থৌরাং তৌবা তাই। মসি ফাগী নত্তে নোকপা য়ারোই, হৱাউ-কুম্মৈ নত্তে। থক্সি -খাসি য়াওনা নীংথিনা ত্রেনিং তৌদবা য়ারোই । মদুমক মথৌ তারব্রা হায়বা ৱাহংসি ইথন্তা হংবা কুইরে । গজাদা ইজরেলদা লান কন্না শোক্লরি। পাউ তারি ঐখোয়। মালেমগী অহুমশুবা লান হায়নদি লাওথোক্তে অদুবু মচি মচিদা লান্দি শোক্লরি। ঐখোয়গীসিনা করি ?

নুমিৎ চহুম হুম্ফুমঙা (নুমিৎ ৩৬৫) হায়বসি থা তারানিথোই (থা ১২) না শাবনি। মশীং খর হেন্দোক-হেঞ্জিন লৈবা য়াই। মতাংসিদা পাঞ্জিগী খুৎপায় পুশিনবা য়ারোই। ঐখোয়গী ওইনা থা তারানিথোই অসিদা পাংথোক্কদবা থৌরম নুমিৎ লেপথোক্লগা য়াম্না লৈখ্রে । নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাংথোক্লবগী মশীং হেনগৎলক্লি। ঙল্লিঙৈগী মতমদদি কুম্বাবা হায়দুনা লোয়শঙনা থোকখিবা থৌদোকশিংগী নুমিৎ থা, মরম ময়াম অমা ইশিন্দুনা থন্নরম্মী। 'চৈথারোল কুম্বাবা' হায়দুনা লাইরিক লৈরি। হৌজিক মখা তানা চৈথারোল কুম্বাবা ইরিব্রা খংদ্রে । কোনুংগী ওইবা খরদি চৎনবীদা লৈরম্বা য়াই। অকুপ্পা থৌদোক ৱাথোক্তি ইরমগদবা মান্দ্রে । চহীগী ফোংবা কেলেণ্ডরদা নুপীলান নুমিৎ,খোংজোম দে,ইরাবতদে ..অসুম্না হাপ্পদি থেংনরি। চেকশিনবসি মমাংঙৈগী অহল-লমনশিংনা য়াম্না হেল্লি । লাইরিক ওইনা ইরগা থন্বীরম্মী।

মেগী তাং অহুমসি (মে ৩,২০২৩) লমদমসিগী কাওবা য়ারোইদবা নুমিৎ ওইখি। নুংঙাইবা, হৱাউ-তয়ান্বা নুমিৎ নত্তে । মেগী তাং ৩ লাকপা খুদিংগী নীংশিংগদৌরি। মেগী তাং ৩ অসি হন্দক নৌনা হাপচিনবা,কুমশীং ২০২৩গী থৌদোক নীংশিং থৌরম্নি। লায়না লৌবা য়ারোই। থৌরমগী মমিংসু মাগী মাগী অপান্বা থোন্নবগুম উই। মিং থোনবা লুগনি। ৱাখল খনবা চংঙি। মরমদি তুং কোইনা লৈহৌগদবনি। মথং থাদা জুন লাক্লি । জুন থাদা করি থোকখি । অচৌবা কী তুচুংলবা থৌদোক্লি । নুমিৎ অদুদা চুখিবা নোং নীংশিংলি। নোংমরক্তা শিন্থখিবা ঈ, তাদুনা লৈবা নোংমৈনা পানখিবা হকচাংশিং, মীয়ামগী খোল্লাও "লোং লিভ মণিপুর" নাকোংসিদা তারি। মদুনা করিগী থোকখিবা থৌদোক, কন্নানা থোকহনখিবা, কন্নাগী মতমদা ? ৱাহংসিসু নীংশিংবা চুম্মী । থোকখিবা থৌদোকশিং থৌরম পাংথোকহৌনবা ওইনা লৌবসু লানগনি। হৱাউ-নুংঙাইদুনা নীংশিং থৌরম পাংথোকপসু নত্তে। অমুক হন্না থোক্তনবা চেকশিন্নবা, কাউদনবা পাংথোকপা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী মীয়াম চাউখৎ থৌরাংগী, মহৈ মশীং তম্বগী,হকচাং ফনবগী, হিংনবা হোৎনবগী, শুবা-নোম্বগী খন্নদ্রে । মীশি মীনাগী,অশি পোৎলোইবগী, মী মাঙখিবা থিবগী, মুক্লবগী, হাৎনবগী সুম্মাই অসুম লৈরক্লিবসি কুইরে। মসি মখা চৎথখিগদৌরি, করিনা ওইরিবা মওং ফিভম অসিননি। মসিনা পুরক্কদৌরিবা চাউখৎপসি কদাইদনো ? ৱাহংসি কন্নাদা হংগদবনো খঙদে । ঐখোয় চেকশিন্না খন্নবা চংঙি।

ঐখোয়না তাখি, মতম অমা লমদমসিদা কোলেরা লাইচৎ, খোঙ হান্বগী মী ময়াম অমা শিখিবা। মী অমা শিবা,অমা পোৎলোইবা লোইবদা অমা অমুক শিবা মথং মথং। ঙসিগী মীরোলনা ঙরাং নহালতা থেংনখি- কোভিদকী লাইচৎ। মী ময়াম মথং মথং পোৎলোইবা। পোৎলোইফম লৈতবা । মফম অমদা পুল্লপ পোৎলোইবা । প্লাস্টিক খাওনা য়োমশিনবা অশিবা হকচাংশিং। হাংদোক্লগা য়েংবা য়াদবা, যুমদা পুশিনবা ফাওবা য়াখিদবনি। অদুক শাথিবা লাইচৎনি। থৌদোক্তু চহী অহুম মরীদা ঙায়রি।

হৌজিক্লা নোংমৈনা পানবা, থাংনা ককথৎপা মীহাৎ, খুহাৎ থিনা হাৎপগী মীৎনা উহনবা রেকোর্দ, মী মাঙখিবগী, যুম মৈ পাকতক্লনা থাবা, হিংনা মৈনুংদা লৌবা, তমথিবা থৌদোক ময়াম লেপ্তুনা চৎথরি। যুম লৈতবগী লাঞ্জেন্নদুনা মফম অমদা হৌজিকসু নুংঙাইফম খঙদনা পুল্লপ লৈনরি। মীকপ মীরাউখোন লোইদ্রি ।

যুম নুংশিদবা কনা লৈবগে। যুমদা হন্নিংদবা কনা য়াওবগে? পীক্লিবা লাঞ্জেন্নবদা য়াওবা অঙাংনা যুমদা হল্লসি হায়না লাঞ্জেন্নরিবা মমা মপাদা হায়রকপগী পাউ তরি। লাঞ্জেন্নদবা মীদি মদুদি মৈচাক খঙলমলোই। ঙরাং চহী ফাখ্রে হায়দুনা লাঞ্জেন্নদবা ঐখোয়না নীংশিংদুনা থৌরম পাংথোক্লি। লাঞ্জেন্নরিবা মহাক্তি থৌরমদু য়াওনীংলোই। মসিসু ঐখোয়না খঙফম থোকই। ফাওরিবা ৱাখল অনীসি খেন্নবা লৈ। মমিৎ তাঙলবা মহাভারতকী চান্মা পোকপা ধৃতরাস্ট্রনা লানগী পাউ সঞ্জয়দগী তারগা শিখিবশিংগী থৱায়শিংগীদমক তর্পণ কৎপগী থৌরম পাংথোকপগুম ঐখোয়না পাংথোক্লি। মরক অসিদা চাক্কৌবা নংনবা শাবা অনৌবা ইয়োং ফি অমগুম, মরাক্তা মফেল অমুক ওই, ময়ুংদা অমুক ওই, মখল মথেল মচুগী ফি শারি রাজনিতি তৌবশিংনা। লং নাইরি, মচু শংলি তুংইনবশিংনা। থাজদনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লি। হন্দক লমদমসিগী নুপীশিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি লায়না লৌবা য়ারোই । হৌজিক ওইরিবা অৱা-অনা মতৌ অসিদা অসুম হন্না য়েংনদনা লৈরগদি, মখল কয়াগী খোঙজং ইমাশিংনা চঙশিল্লক্লোই হায়নীংঙাইসু লৈতে । কনা অমত্তনা, ইনশিনবসু ওইরম্লোই ইমাশিংনা লৌজরকপা মখোয়গী ফিরেপ ওইগনি মরমদি মহৌশাদগী লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংনা ইমুং মনুংগী, লৈকাইগী, মীয়ামগী অমদি লৈপাক্কী থৌদাংশিংদা মায়পূনদুনা লাকখি। মপুরোইবগী মহুৎশিন্না লাম্হেংনরকখি। লৈপাক ঙাকপদা য়াওরকখিবনি।

লু কোকপবু নুংঙাইবগীরা ? নুপী ওইবীনা লু কোক্লিবসি তৌহৈব্রা ? লু কোকপগী মরম ময়াম অমা লৈনরি। ঐখোয়গী চৎনরকপদা, লু কোক্পদি অৱা-অনাগী খুদম্নি । লাইনীং লাইশোনগা মরি লৈনবা, ইকায়বা পীবগী, অকে-অমৌগী, মীশি-মীনা অৱাবগী । অমরোমদা লু কোকপসি নুপাশিংনা নম্না কোক্কে। হন্দক ইমা তরেৎনা লু কোক্লিবসি করম্বা ফিভমদা লু কোকখিবনো ? কোকপগী মরম পাউচেদা হায়খ্রে, পাউদা শন্দোকখ্রে । পেন্দবগীনি, ৱাকৎপনি, লৈপাক্কী লুচিংবশিংদা খঙহনবগীনি। ৱাফমসিদা ঐখোয়না,মীয়াম্না করি খনবগে ? মসি কুম্মৈ অমা নত্তে, য়াউশংগী লম্পাক্তা পাংথোকপা চফু থুগায়বগুম নত্তে। ফেন্সি দ্রেস থোকপা নত্তে। ইমাশিংনা ফিভম মওং অসি য়ৌরক্লবদা মচা ওইবশিংনা তুমমদুনা লৈফম থোকপ্রা ? লুতুং শম পুল্লগা, পলেম হায়না কৌবদা হাও হায়না পাউখুম পীগদৌরিবী ইমনা ফিমু শেৎ, ফিদোন চিংখৎ,খ্বাংশেৎ মচি লাং, শম-না শিৎ নাননা, লু কোক্তুনা সনা লমজাওদা চৎলকপা হায়বসি, মাঙলমচৎতা করম্বা মতম, কনাগী চৈথাবা কুমদা য়াওখ্রবগে ? ইমাশিংগী মওং অসি উরগা মিৎলু নাপোম ইরা হৌদুনা পি শিন্থবা ঙমদ্রবদি মচাশিংগী থম্মোয়দা মমাবু নুংশিবা হায়বদু কদায়দা লৈরিবগে? মমাগীদমক মচানা লমন শিংগনি খল্লিবসি করম্বা লমননো ? ফিভম,মওং অসি ঐখোয়গী মীয়াম্না অতোপ্পা কুম্মৈ অমগুম য়েংদুনা লৈফম থোক্তে।

নুপী ওইবীনা লু কোক্লগা য়ানীংদবা উৎলকপা হায়বসি খাঙবা ঙমদবগী থাক হেল্লকপদগীনি। অমরোমদা অফবা খুদম ওইরোই । নুপী লান হায়দুনা মমাংদা থোকখ্রিবসি নুপীশিংনা খুৎতা নোংমৈ পায়দুনা থাংশাং পায়দুনা থেংনখিবা, হাৎনখিবা লান নত্তে। লমদমসিদা নুপীওইবীশিংনা চহী খরসিদা লৌরিবা থৌদাং, লন্বীদা লমজাউদা, চীংয়া তময়াদা মুক্লরিবা শীংনরিবা , ময়াম অসিমক লান অমা ওইরবনি। ঙরাং নহান, নুপী ওইবী ইমা তরেৎনা চঙশিল্লিবা অসি লমদমসিদা ইমাশিংনা মুক্লরিবা শীংনরিবা লাঞ্জংশিংগী মনুংদা অমনি। ইনশিনবসু নত্তে, খঙসু খঙনদে অদুবু উরু তারুবদা পূক্লিংদা থুক লাওবা নুংঙাইতবা খোইরাং খোইশাওনবা ফাওহল্লি। থাক অসি য়ৌরবদা ঐখোয়গী ফিরেপ খঙদ্রি। হোরেল হয়েং করি অমা তৌরক্কদগে হায়বা খঙদবা ফিভমদা লৈরি। ঐখোয়না কনাবু ঙাইরিবগে? ভোট হায়দোকপা ঙাইরিব্রা? মখাদি করি, মথংনা করি ? ৱাহং য়াম্লে হংদুনা লাক্লিবা, পাউখুম পীগদবা মী, মপূ লৈতে । ইশানা হংবা ৱাহংগী পাউখুম ইশানা শেমজবা তারি। ঐখোয়গী থৌরম খূদিংমক হৱাউ-কূম্মৈ মালহনগনুসি। নীংশিং থৌরম পাংথোক্লবা, মৈরা কৎনবা, থোঙ্গান্দা অমুবা ফিরাল থেৎনবা থৌরম ওইহনগনুসি । নুপী ওইবীনা পাম্মুনা থমজবা শন্লাংবু শিৎ নান্না কোকথোক্লগা হৌরক্লিবা ইহৌসি লায়না লৌবা চূমলোই। তৌহৈদবা উহৈদবা উরক্লি তারক্লি। মিৎতগী পি তাবা খঙহৌদে। ইমাশিংদো অৱাং মাইকৈদগীনি । লাইয়াম্না খুম্হোক খুন্দাবা লমদমদগী হৌরকপনি । অতোপ্পা কুম্মৈ অমা নত্তে। ●

- মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

ঙাগা মীগা হোঙবা তান্নরি

কুইরে ঙা থোংবা চাদবা, ঙসিদি থবক শূরুবগী শেল মচিৎ খরা লৈহৌবদুসু পীরকপনে কৈনে ইচাশিংগা লোয়ননা ঙা মচা অমতং থোংলগা হরাও হরাও চামিন্নগে হায়দুনা ঙায়োনফমদা চঙলুই। কৈথেলসিদি নহানখৈ চঙদা তৌরিনি। মী য়াম চিল্লম্মী। হোয় তৌবগীবুদি মী চিন্দবা মফম অমত্তা লৈত্রে হৌজিক্কানসিদি। হোস্পিটালদা চৎলুই অনাবগী অনাবা মক্তা। লান কাপ্নফমদা চৎলুই মীগী মী ঙাক্তা, লৈবাক্কীদমক থৱায় থাগে হায়না মবুকচেল তিংনা লাকপদি লোইনমক ওইরমনি থাজদে। কুম্মৈ ওইনা য়েং লাকপা ওইরমদৌ মাল্লি। বোম মখোল খিতং হৌবা অমা তাবদা লেপ্পী লেপ্পী মফমদুদা হিপথনরগা হেক্তা পাকথখি। খুদোং চাবা ফংলগনা হোৎতনা "য়া-য়া-য়া" লাউনা চেন্নখি। মদু অমুক য়েংবদা নুংঙাইবা কুম্মৈ মখল অমনি হায়ববু তাইএ। ঈশিং ঈমাইদা কং মচা ময়াম্না প্রিক-প্রিক শৌখৈ ঈমাই তুরম্বদু হাইদোক্তুনা কংদু ঈশিং জ্বাই-জ্বাই কন্দুনা তানবদা কংশিংদু মীকুপ্তা মাঙখি, অদুবু মদু হেক লেপ্পদা কংশিংদু অমুক মীকুপ্তা চঙশিল্লক্তুনা হান্নগী ফীভমদা অদুমক লেঙদনা লৈবদো অদুগা চপ হেক মান্নৈ। কাঙলূপ ফূরুপ পল্লগদি ৱারৌনরনি, ঐখোয়সে ওন্থোকপা মখল অমগী কাঙলূপনি।

চহী মঙাগী ওইবা ইশাগী মীরেপ খঞ্জগদবা, ঐগী হকপু শেল খজিক্তংদা য়োন্থোকপা ঙম্বা মীগী মশীং য়াম্না লৈ। ইলেক্সন অমুক মুক লাকপদা কোইচেন চেনখৈ নুংঙাইজগে হায়বা কোকথোং অমা লৈরি। লৈবাক্কী ফনবা, খুন্নাইগী চাওখৎনবা, মতিক চাবা, মীহুৎ খনগদৌরিবনি হায়বা লোইনা কাউনখি। ইলেক্সনদা শেল য়েল্লবা মদু হরাওনা লৌশিনবগী ৱারী ঙা য়োনফমদা কন্না শানদুনা মখোয় খরা ওমশিন্দুনা লৈরম্মী। ঐ ঙাইহাক লেপ্পগা তাই।

"নঙগীদি কয়া পীরম্মী?"

"য়ামদেদা, হন্দক্কী ভোটসিমুক শেল য়াম ফংদবা অনী শুদ্রে"

"অদু কয়াবু ফংবগে?"

"মী অমদা লুপা ৩০০নি হায়য়ে, অদুনা ঐখোয়গীদি মী য়ামজদবনিনা লুপা ৯০০ খক ফংঙেদনা"

"য়াম্বু য়াম্মনখ্রে ইবেমা, ঐখোয় অদুৱাইদদি ২০০/২০০ খক্তনি য়েল্লিদো, অদুনা ৬০০ খক ফংই"

"কৈনোনে হায়সিবো, ২০০দং য়েনবা"

"য়েল্লি-য়েল্লি, ঐনা মীগী লৈকায়গীদি ৩০০/৩০০ য়েল্লি, নোইগীসিনা কমাই তৌরিনো হায়না হংলুববু, আদগী পীরকপদা ২০০দগী হেন্দে হায়না শাওরগা খুম্বু খুম্মম্মী, ঐসু ফংলোইদৌ শরুক লৌহৌরগে হায়না অদুম লৌশিল্লে"

"অদুগা অদুম থাদৈ"

"থাদরে"

"ঐদি ঐখোয় নুপানা শেল লৌরসু থাদবদি হায়নবদুদা থাদৌ হায়না কন্না হায়বদগী শাওনীংদনা নোটা হায়দুদা থাদরম্মে"

"কৈনোহে নঙবু ঙাওরব্রো, নোটাদবু কনানা থাদৈ হায়গে?

মোইগী ৱাদু তাবদা ঐ ঈ কারে। চঙশিন্দুনা ঙাদু কেজিদা কয়া পীগে হংলুই।

"ঙাসিবু কেজিদা কয়াগকা পীবিবগে?"

"সিনা ২৮০, সিনা ৩২০ পী"

"করি ঙানো সিবো?"

"কৈনো, ঙা অমুক্তা চাদবা মীদৌনা, সি রৌনে রৌ, কাপ কাপ লাউবা রৌ, উদ্রবরো?"

"উবুদি উজবা অদুদা খরা হোঙবা য়াওদ্রবরা?"

"কাইদৈ ৱানোদা, হৌজিক মতমদবু অহোঙবা লৈরিবরদা, ফদিগোম মপুন মচা অমদা লুপা ২০ পীরকানসিদবু"

"অহোঙবা য়াওদ্রে"

"য়াওদে" নুপীদু মাগা ৱারী শানরম্বশিংদুদা ঐগী মতৌদুদা লৈদৌ মান্দ্রে খল্লব্রা কৈনো, মমায় লৈথোক্লগা মোইগী ৱারীদু অমুক হৌখি। ঐ মসিদি তৌরগে মতাগুম মখা তানা হংজিল্লি।

"মীদি কেজিদা কয়া পীরি"

"করি হায়বা?"

"মীসিবু কেজিদা কয়া পীরিগে হায়জবা?"

"কাইদৈ নুপানোনে মসিবু ঙাওবু ঙাওব্রা কৈনো, মীবু কেজিদা কয়া পীরিগে হায়নে" ৱাদু তাবদা মোই মশেল ওনশিন্নদুনা মচিন্দা মখূৎ খুমদুনা নোকমিন্নখি।

"মী মপূমদদি লুপা ২০০দগীনা ৩০০ ফাও পী হায়বা তাজরে, মী মপূমদুদি অমুক ঐঙোন্দা কান্নদবা, কেজিদা ওইনা লৌগে তৌজবা"। মোইদু ৱারী লেপখ্রে ঐগী ৱাদুদা তূমিন-তূমিন লৈনখ্রে।

"ঐ অমুক্তা পাথোকচগে। শোমগী ইবেমসি কেজি ৫০ মুক লূম্মমদৌ মাল্লি। অদুদি মপূমদা লুপা ৩০০ পীরবদি কয়া তারে? ও-ও লৈরে লৈরে কেজিদা লুপা ৬ তারে। চহী মঙাগী ওইনা সোমগী মমলসি কেজিদা লুপা তরুকনি।"

নুপীদু শাওগৎলকই।

"কৈনো নঙগীদু ঐ উশিত্রিব্রা, ঐবু কেজিদা লুপা ৬ পী হায়দি নোই নপানা হায়ব্রা?"

"ঐখোয় পাবনা হায়বা নত্তে, কালকুলেটরনা হায়বনি। সোম্বু হন্দক্কী চহী মঙাসি লুপা ৩০০দা য়োল্লিদুদি সোমনা লুপা ২০০দা য়োল্লি হায়রিদুদি হৌজিক্তা, নোইগুম্বা কয়া অসি লৈবননি লৈবাকসিনা সুম সুম কোম মনুংদা পুখরিসি।" ঐ শাওনীংবদগী হন্না ফাও য়েংলমদনা অদুম ঙাগকা অমত্তা লৈদনা থোরক্লে। ফনা শাংনা থোরক্লগা অমুক ওনশিন্দুনা চৎনা-চৎনা য়েংলুই। নুপীশিংদু ঐবু তাম্না ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদখৈ য়েংদুনা লৈহৌই। ●

- নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

(নিংথৌরোল লম্বুবা)-(১৬৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অদুমক হেক ওইরবদি। লাইরেল মৈদিংঙু য়োইরেমবনা। অতোল য়োইরেলবা ও। ঐখোয় অনীমক পুননা। নোংয়াই খুমল লৈবাকসিদা। নোংয়াই খাথা থৌদাসিনা। অদোল লাইগা ৱায়েলমিননশে। ননাও ইবুংঙো হেমদৌ লোইয়মবগী। খুমল লমদমদা মরাল ময়ুম শানা লৈরমবা শঙগাইসিদা লৈবীও। হায়রকঙৈদা মদুমকতি হায়গনু। ইবাই ইবুংঙো অতোল পুনসিবা ও। ইনাওনা লৈরমবা যুমসিদা হেক লৈবমকতি ইমাইসি ইকাইজৈ। মহাককী খোঙগুল ফাওবা নেৎনিংদে। মহাকনা শারমবা লৈরমবা যুমসিদা ঐদি চংনা লৈবা ঙমলোই। হায়না ৱাহায়রবদা লাইরেল মৈদিংঙুগীদমকপু। নোংয়াই খাথা ফমথৌ পুমনমকনা হৌ। অতোন অৱাং ফমবা ফমথৌ পুমবা তিলনা য়াওনা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯶꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫꯫)

ꯑꯗꯨꯃꯛ ꯍꯦꯛ ꯑꯣꯏꯔꯕꯗꯤ꯫꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯌꯣꯏꯔꯦꯝꯕꯅꯥ꯫꯫ ꯑꯇꯣꯜ ꯌꯣꯏꯔꯦꯜꯂꯕ ꯑꯣ꯫꯫ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯑꯅꯤꯃꯛ ꯄꯨꯅꯅꯥ꯫꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗ꯫꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯥꯊ ꯊꯧꯗꯥꯁꯤꯅꯥ꯫꯫ ꯑꯗꯣꯜ ꯂꯥꯏꯒ ꯋꯥꯌꯦꯜꯃꯤꯅꯅꯁꯦ꯫꯫ ꯅꯅꯥꯑꯣ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯍꯦꯃꯗꯧ ꯂꯣꯏꯌꯝꯕꯒꯤ꯫꯫ ꯈꯨꯃꯜ ꯂꯝꯗꯝꯗ ꯃꯔꯥꯜ ꯃꯌꯨꯝ ꯁꯥꯅꯥ ꯂꯩꯔꯝꯕ ꯁꯉꯒꯥꯏꯁꯤꯗ ꯂꯩꯕꯤꯑꯣ꯫꯫ ꯍꯥꯌꯔꯛꯉꯩꯗ ꯃꯗꯨꯃꯛꯇꯤ ꯍꯥꯌꯒꯅꯨ꯫꯫ ꯏꯕꯥꯏ ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯑꯇꯣꯜ ꯄꯨꯅꯁꯤꯕ ꯑꯣ꯫꯫ ꯏꯅꯥꯑꯣꯅꯥ ꯂꯩꯔꯝꯕ ꯌꯨꯝꯁꯤꯗ ꯍꯦꯛ ꯂꯩꯕꯃꯛꯇꯤ ꯏꯃꯥꯏꯁꯤ ꯏꯀꯥꯏꯖꯩ꯫꯫ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯈꯣꯡꯉꯨꯜ ꯐꯥꯑꯣꯕ ꯅꯦꯠꯅꯤꯡꯗꯦ꯫꯫ ꯃꯍꯥꯛꯅꯥ ꯁꯥꯔꯝꯕ ꯂꯩꯔꯝꯕ ꯌꯨꯝꯁꯤꯗ ꯑꯩꯗꯤ ꯆꯪꯅꯥ ꯂꯩꯕ ꯉꯝꯂꯣꯏ꯫꯫ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯋꯥꯍꯥꯌꯔꯕꯗ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯒꯤꯗꯃꯛꯄꯨ꯫꯫ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯥꯊ ꯐꯝꯊꯧ ꯄꯨꯃꯅꯃꯛꯀꯅꯥ ꯍꯧ꯫꯫ ꯑꯇꯣꯟ ꯑꯋꯥꯡ ꯐꯝꯕ ꯐꯝꯊꯧ ꯄꯨꯝꯕ ꯇꯤꯜꯂꯅꯥ ꯌꯥꯑꯣꯅꯥ꯫꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।